# হৌথিনা কন্ট্রোল তৌবা য়েমেনগী জেলদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থবদা মীওই ৭৭ শিরে



সানা, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
য়েমেনগী হৌথি মিলিসিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা টেম্পররি জেল অমদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা চত্থরকপা এয়রষ্ট্রাইক্তা শিবা মী মশীং ৭৭ শুরে হায়না মিলিসিয়া গ্রুপ অমনা লাউথোকখ্রে।

হৌথিনা কন্ট্রোল তৌবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, হৌজিক ফাওবদা অশোকপা মীওই ১৪৬ সাদাগী হোস্পিটালশিংদা এম্বুলেন্সশিংনা হোনখ্রে।

হৌথি হেল্থ ওথোরিটিনা মখা তানা হায়খি, য়েমেনগী অৱাংথংবা প্রোভিন্স সাদাগী বোম্মিং সাইট অদুদা অশিবা হকচাংশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরিবা ওইবনা অশিবশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই। সাদাগী লোকেল ওথোরিটিগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, এয়রষ্ট্রাইক অদুদা জেলগী বিল্ডিং অদু লৌবা য়াদনা মাঙ-তাকখি অমসুং অকায়-অতোয় মরক্তগী ভিক্টিমশিং চিংথোক্লবা ইক্বিপমেন্ট মতিক চানা লৈতে।

সাদা অসি চহী কয়া সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা শৌগৎপা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং লাম্থেংনরক্লিবা ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংগী মরুওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগী মনুংদা অমনি। হৌথিনা চলাইবা অল-মসিরাহ টেলিভিজন রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা পুং খরা অসিদা লানগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা কোলিসননা এয়র রেইদ ৫৯ হেন্না পাঙথোকখি।

অকনবা বোম্বার্দমেন্ট কেম্পেন অদুদা য়েমেনগী রেদ সীদা লৈবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাহসু য়াওখি। মদুনা টেলিকম্যুনিকেসন সেন্টর থুগায়খিবগা লোয়ননা ইন্টর্নেট কন্নেক্টিভিটি লৈবাক শিন থুংনা ফেল ওইখি। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনগী এক্টিভ মেম্বর অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)দা বলিষ্টিক মিসাইলশিং অমসুং এক্সপ্লোসিভস য়াওবা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা চত্থখিবা এট্টেকশিং হৌথিশিংনা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা কোলিসন্না এয়রষ্ট্রাইকশিংদু চত্থরকখিবনি।

চৈরকসিদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না পাঙথোকখিবা শাথিরবা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুগী মায়োক্তা হৌথি চা কয়ানা কেপিটেল সানাদা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখ্রে।

নাকল অমদা হৌথিশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা চত্থরিবা দ্রোন অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল এট্টেকশিংগী মায়োক্তা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না মখা তানা মতিক চাবা পাউখুম পীখিগনি হায়না কোলিসন অসিনা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০১৪গী অথেংবা শরুক্তা হৌথি মিলিসিয়ানা অৱাংথংবা প্রোভিন্সশিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবদগী সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখি।

# অফঘানিষ্টান: য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা এম্বেসী হাংখ্রে



কাবুল, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)না কাবুলদা তুং কোয়না চৎকদবা এম্বেসী অমা হাংবগা লোয়ননা মদু ওপরেট তৌবা হৌরে হায়না টালিবাননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্স (এম ও এফ এ)না লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন অব্দুল কহার বালকিনা ত্বিট অমদা হায়, পরিং নাইনা মীফম কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা ঈ য়ুগী মীহুৎশিংগা অন্দরষ্টেন্দিং অমা পুরক্লবা মতুংদা অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা ঈ য়ুগী এম্বেসী হাংবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

হ্যুমেনিটেরিয়ন মতেং য়ুরো মিলিয়ন ২২০দা নত্তনা ঈ য়ুনা অহেনবা মতেং ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ২৬৮সু লাউথোকখ্রে অমদি শেনফম খরনা ওজাশিংগী তোলোপ পীনবা তোঙান্না খাক্তুনা থমখ্রে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি ঐখোয়না তরাম্না ওকই। এম ও এফ এগী স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোক্লিবা অসিগা চান্ননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু কাবুলদা অমুক হন্না এম্বেসী হাংলে হায়বসি কনফর্ম তৌখ্রে।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী ফোরেন এফেয়র্স স্পোক্সমেন পিটর স্তানোনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা তোলো ন্যুজনা হায়, হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীবদা খুদোংচানবা অমসুং অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ন ফীভমশিং মোনিটর তৌনবগীদমক্তা ঈ য়ুনা কাবুলদা ইন্টরনেসনল ঈ য়ু দেলিগেসন ষ্টাফ খরা থমদুনা এম্বেসী হাংবা হৌরে। ঐখোয়না কাবুলদা অসুম্না ষ্টাফ খরা থল্লিবা অসি কাবুলনা মখোয়বু শকখঙবনি হায়না লৌরোইদ্দবনি। মসি দি ফেক্টো ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লক্লিঙৈ মরক্তা ফীভম অদু মখা তানা শোকচিল্লকপা থিংনবা অমদি অফঘান মীয়াম্বু হৌজিক মায়োক্লরিবা প্রোব্লেম কয়া থেংনবদা মতেং পাংনবা ঈ য়ুনা লৈবাক অসিদা মখল মখা কয়াগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুরোপিয়ন বোদি অসিনা লাউথোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। ঈ য়ুগী ফন্দশিং অদু অফঘান মীয়ামগী এদ্যুকেসন, হেল্থ অমসুং হিংনবগী ওইবা থবকশিং ফংহনবদা শীজিন্নবনি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নুপী প্রোটেষ্টর অমা মহাক্কী ময়ুমদগী নমদুনা ফাখি হায়বা ৱাফম অফঘানিষ্টানগী টালিবাননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে। ভিদিও ক্লিপ অমদা টালিবান ফাইটরশিংনা য়ুম অমদা থোঙ থিল্লগা মদুদা লৈরিবা নুপী মচিন-মনাও খরা হংখিবগী শক্তম মীয়াম্না উনখিবা মতুংদা টালিবান গভর্ণমেন্টনা ৱাফমদু য়াখিদবনি।

# টর্কিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা ৱাতেম্নবা শেম-শাদুনা লৈ



ইষ্টানবুল, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
টর্কিনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা ৱাতেম্নবগীদমক্তা শেম-শাদুনা লৈ হায়না টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ তায়িপ ইর্দোগননা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমীৎতা লাইশোনগী থৌরম লোইরবা মতুংদা ইষ্টানবুলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, লমদম অদুদা ঐখোয়না মরা তপ্পা ফীভম লৈহনবা পাম্মী। মসিগীদমক্তা ঐখোয়গী ওইবা তৌফম থোকপশিং তৌননবা ঐখোয়না শেম-শাদুনা লৈ। টর্কিশ লুচিংবা অসিনা য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা ফীভমশিংগী মতাংদা রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা ব্লাদিমির পুটিনগা ফোনদা নৎত্রগা নুমীৎ খরনি অসিদা মোস্কোদা চৎপা খোঙচৎ অমগী মনুংদা ৱারী শাননবগী থৌরাংসু খঙহনখি।

টর্কিশ প্রসিদেন্ট অসিনা ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা য়ুক্রেনদা খোঙচৎ অমা চৎকনি। মহাক্না হায়খি মদুদি, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা বোর্দর ভাইওলেসনগী ওইবা খোঙথাংশিং নৎত্রগা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান অমা থোক্লকপা তারবদি মদু লমদম অদুগী মরা তপ্পা ফীভমদা চাউনা অকায়বা পীবা থোক্কনি। অসিগুম্বা ফীভমশিংনা টর্কিদা চাউনা চৈথেং পীগনি। লৈবাক অসি য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীমক্কা মরী ফগৎহন্ননবা হোৎনরিবা লৈবাক অমনি। উংখৎনবা ফীভম হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ইর্দোগাননা শগোলশেল নুমীৎতা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টশিং ইষ্টানবুলদা ৱারী শাননবা ইনভাইট তৌখিবনি। নোংচুপলোমগী লৈবাক খরনা রসিয়াবু য়ুক্রেনগী বোর্দর পরিং মনাক্তা মিলিটরি ক্রুপ মশীং য়াম্না পৈশিল্লি হায়না মরাল শীরিবনি।

# আইরলেন্দনা কোভিদ-১৯গী অথিংবা অয়াম্বা লৌথোক্লগনি



দব্লিন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
আইরলেন্দদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং হন্থরকপদগী লায়না অসি লাকশিন্নবা থমখিবা অথিংবা অয়াম্বা থাংজ নুমীৎতগী লৌথোক্লগনি হায়না আইরিস গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ৬তগী মী তীনবা মফমশিংদা মখা তানা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকহল্লরোই, ইন্দোর অমসুং আউটদোর ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবা মীগী মশীংদা রেষ্ট্রিক্সন লৈররোই, য়ুমদা মী পুনবদা পনখৈ থল্লরোই অমসুং তোঙান তোঙানবা প্রেমিসেসতা চঙবদা ভেলিদ ঈ য়ু দিজিটেল কোভিদ সর্টিফিকেট পুথোকপা মথৌ তাররোই।

রেষ্টুরেন্ট অমসুং বারগুম্বা হোস্পিটালিটি সেক্তরগী বিজিনেসশিং মখা তানা নুমীদাং পুং ৮গী মমাঙদা থোঙ লোলহল্লরোই অমসুং নাইট ক্লবশিং অমুক হন্না হাংবা য়াহল্লগনি। নিংথৌকাবা নুমীৎতগী হৌরগা মীয়াম্না ফেজ নাইনা ওফিসতা চঙদুনা থবক শুবা য়ারগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং ফেব্রুৱারী লোইবা ফাওবদি গভর্ণমেন্টনা পব্লিক হেল্থকী চেকশিন থৌরাং খরদি মখা তানা চৎনহনগনি। চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অমদি মীয়াম তীনবা ইন্দোর সেটিংশিংদা তঙাইফদনা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নবা অমসুং স্কুলশিং অমদি ক্যের ফেসিলিটিশিংদা হৌজিক চৎনরিবা লায়না ঙাকথোক্লবগী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাকপা য়াওরি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, ভেলিদ ঈ য়ু দিজিটেল কোভিদ মথৌ তাবা য়াওনা ইন্টরনেসনল ট্রাভেলগা মরী লৈনবা পব্লিক হেল্থকী চেকশিন থৌরাংশিংসু মখা তানা চৎনখিগনি। হৌখিবা চয়োল অসিদা আইরলেন্দদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন হন্থরকপদগী আইরিস গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

চয়োল অহুম হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা জন্যুৱারী ১৭তা আইরলেন্দদা নোংমদা থেংনবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং ১০,০০০গী মখা ওইখিবদগী হৌজিক থংন-থংননা নুমীৎ মঙানি লেভেল অসিগী মখাদা লৈরি। আইরিস গভর্ণমেন্টনা অথিংবশিং কোমথোকপগী খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমদি বুষ্টর দোজশিং কাপ্পগী চাং ৱাংবনসু মতেং পাংখি। হৌজিক ফাওবদা আইরলেন্দদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৭.৬১ হেন্না কাপখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ৩.৮৫ হেন্না ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লে।

# টেক্সাসতা কুমজা ২০২১দা নোংমৈগী পর্মিট লৌনবা এপ্লায় তৌবা হন্থখি

হ্যুষ্টন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
য়ু এসকী টেক্সাস ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক সেফ্টিগী খ্বাইদগী নৌবা দেটা মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা ষ্টেট অসিদা হেন্দগনগী পর্মিটশিং লৌনবা থাখিবা অনৌবা এপ্লিকেসনশিংগী মশীং চাদা ৮৭ হন্থদুনা চহী ৫গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা ওইখি।

কুমজা ২০২০গী জুনদা টেক্সান ৩৯,০০০ লোম্না নোংমৈগী পর্মিটকীদমক অহানবা ওইনা এপ্লায় তৌখি। তৌইগুম্বসুং মশীং অসি কুমজা ২০২১গী নবেম্বরদা ৫০০০গী মখাদা হন্থখি। হ্যুষ্টন ক্রোনিকলগী রিপোর্টনা হায়, মীয়াম্না নোংমৈগী পর্মিট লৌনবা এপ্লিকেসন থাবা হন্থরক্লিবসি হৌখিবা চহী ২গী মতমদা লাকখিবা পোলিটিকেল অমসুং সোসলগী ওইবা অহোংবশিং লৈরে হায়বা উৎলি।

পুলিসনা কা হেন্না থৌওং চত্থবদগী মীয়ামদা নে-তানা লৈনিংবগী ৱাখল লৈরক্তবা অমসুং কুমজা ২০২০দা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা লোকদাউনচিংবা থম্বা অসিনা মীয়াম্না মখোয়গী সেফ্টিগী মতাংদা মীপায়নখি। মসিনা মরম ওইদুনা নোংমৈ পুনিংবগী অপাম্বসু হেনগৎলকপা লৈখি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২০গী অথেংবা শরুক অমসুং কুমজা ২০২১গী অঙনবা অমদি প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন মনুং অমসুং মতুং লোয়ননা জন্যুৱারীগী অঙনবা য়ু এস কেপিটেলদা রাইওট থোক্লিঙৈ মনুংদা এপ্লিকেসন মশীং ৱাংখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০২১গী ময়াই চল্লকপদা মীয়ামদা নোংমৈ পায়নিংবগী ৱাখল হন্থরক্তুনা এপ্লিকেসন মশীং নোর্মেল থাক্তা লাকখি। সেপ্টেম্বরদা ষ্টেট অসিনা পর্মিট য়াওদনা নোংমৈ পুহনবগী লো চৎনহনখি। মসিনা মরম ওইদুনা চহী ২১ অমদি মসিগী মথক ওইবা টেক্সান পুম্নমক্না লাইসেন্স য়াওদনা হেন্দগনশিং পুদুনা চৎনখি হায়বা য়াই। পর্মিট পায়বা টেক্সাসকী মী মশীং হৌখিবা চহীদা হেনগৎলক্তুনা নবেম্বর ১ ফাওবদা মিলিয়ন ১.৭ য়ৌখি।

# পাকিষ্টানদা প্রসিদেন্সিএল সিষ্টম চৎনহন্নবগী কেম্পেন ওপোজিসননা য়ানিংদবা উৎখ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেটিক সিষ্টমবু প্রসিদেন্সিএল সিষ্টম অমনা শীন্নবা ঙাংন-শক্লরিবা কয়াবু লৈবাক অসিগী ওপোজিসন লো মেকরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়না হীরম অসিগী মতাংদা নেসনল এসেমব্লীদা দিবেট তৌনবা তকশিনখ্রে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

ওপোজিসননা সিষ্টেমেটিক অমসুং মাঙজৌননা থৌরাং তৌবা কেম্পেন অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কন্না খন্নরিঙৈদা ইস্যু অসিসু য়াওখিবনি। ইরাই নুমীৎতা ফ্লোরদা ৱা ঙাংলদুনা পি এম এল-এন লোমেকর অসান ইকবালনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্সিএল সিষ্টম চৎনহনবগী তোকঙাশিং অসি নুংনাংনিংঙাই ওইবা তরাইনা লৌবা য়াদবা ৱাফমনি। পাকিষ্টান শেমখিবা চহী ৭৫ হৌখ্রবা ফাওবদা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী মতাংদা য়ানবা অমা হৌজিক ফাওবা লৈত্রিবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না ৱারেপ অমা লৌবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় য়েক্লবা অমত্তা লৈহনবগী মথৌ তাদে হায়না হান্নগী প্লান্নিং মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

# নীংথম থাগী অঙৗংবা মরক্তা অৱাবা খাংলিবা সিরিয়াগী ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা মীওইশিং য়ু এস অমসুং পার্টনরশিংনা মতেং পাংলি



য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
সিরিয়াগী অৱাংথংবা লমদমগী সেট্টলমেন্টশিংদা নীংথম থাগী শাথিরবা অঙৗংবা ফীভম খাংদুনা লৈরিবা ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা মীওই মিলিয়ন ১ হেন্না য়ু এস অমসুং মসিগী পার্টনরশিংনা মতেং পাংলি হায়না ওফিস ওফ দ কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফেয়র্স (ও সী ঐচ এ)না ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সীনা ও সী ঐচ এগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, অৱাংথংবা লমদমদা উন, অঙৗংবা নোং অমসুং শাথিরবা নীংথম থাগী ৱেদরনা কনফ্লিক্ট মরক্তা অমসুং শেল-থুমগী ক্রাইসিস মরক্তা হান্নদগী অৱাবা নংলক্লবা মীওইশিংবু হেন্না ৱাহল্লি। অৱাং নোংচুপ লমদমগী কেম্প অমদি অতৈ সেট্টলমেন্ট ১৪০০ হেনবদা লৈরিবা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লবা মীওই মিলিয়ন ১.৭ হেন্না শাথিরবা ৱেদরগী চৈথেং নংলি।

ওফিস অসিনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমীৎতগী উন কন্না তাদুনা মফম ৮৫দা লৈরিবা মীওই লাখ ১ হেন্না চৈথেং পীখি। টেন্ট ১০০০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকখ্রে। উন কন্না তাবা অসিনা টেন্টশিংগী মথক থংবা শরুকশিং তেকথরক্তুনা নুপী-অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবা মীওই কয়া হেন্না ঈংবা ফীভম খাঙবা তাখি। অসিগুম্বা থৌদোক অমদা অঙাং অমা শিখি অমসুং অঙাংদুগী মমা ফীভম থীনা শোকখি। নোং কন্না চুবদগী মীওই ১৫০,০০০ হেন্না লৈরিবা অতৈ সাইট চা কয়াদা অৱা-অনা কয়া থোকখি। খ্বাইদগী মরুওইনা মথৌ তারিবদি অৱাবা নংলবা মীওইশিংবু শাফন্দবা সেল্টরশিংদা হোংদোকপা, টেন্টশিং শীন্দোকপা অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং অতৈ তঙাইফদবা মতেংশিং ফংহনবা অসিনি হায়রি।

# এক্স-পি এম মহাথির হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে

কুলা লম্পুর, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
মালেসিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাথির মোহম্মদ হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমীৎতা মহাক্কী ওফিসকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোক্সমেন অদুনা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মশাগী চহী ৯৬ শুরবা লুচিংবা অদু নেসনল হার্ট ইন্সটিট্যুটকী কার্দিয়াক ক্যের য়ুনিটতা লায়েং চত্থরি। মসিগী মমাঙ হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৬তগী ২৩ ফাওবা মহাথির নেসনল হার্ট ইন্সটিট্যুটতা এদমিট তৌদুনা মপুং ফাবা মেদিকেল-চেকঅপ পাঙথোকখি। মহাক জন্যুৱারী ৭তা হোস্পিটাল অদুমক্তদা ইলেক্টিভ প্রোসিজর অমগীদমক অমুক এদমিট তৌখি অমসুং জন্যুৱারী ১৩দা দিসচার্জ তৌখি।

# জিনিভাদা ব্লিঙ্কন অমসুং লাভ্রোভকী মীটিং য়ানবা পুরকখিদ্রে




জিনিভা, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
লো ওইনা চৎনবা য়াবা সিক্যুরিটি গরেন্টিশিং লৈহন্নবা রসিয়ানা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বরদা সবমিট তৌখিবা মরুওইবা দোক্যুমেন্ট অনীগী দ্রাফ্টশিং খন্ননবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনগা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভ্রোভকা ইরাই নুমীৎতা জিনিভাদা উনদুনা ৱারী শানখিবদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংগী য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রে।

ইরাই নুমীৎতা প্রেস কনফরেন্স অমদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ব্লিঙ্কননা হায়খি মদুদি, জিনিভাগী মীফম অদু নিগোসিএসন নত্তে, তৌইগুম্বসুং নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা অনীংবা অপাম্বশিং অমদি লুনা লৌবা ৱাফমশিং লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা ফোঙদোক্লুবনি। এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুংইন্না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর লাভ্রোভনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ইরাই নুমীৎতা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি লো ওইনা চৎনগদবা সিক্যুরিটি গরেন্টিশিংগী মতাংদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বরদা রসিয়ানা সবমিট তৌখিবা মরুওইবা দ্রাফ্ট অনী খন্ন-নৈনবনি। অরোইবদা ঐখোয়না মথংগী চয়োলদা ঐখোয়গী প্রপোজেলশিংগী অইবা পাউখুমশিং পীহল্লক্লবগী য়ানবা অমা পুরকখি। পাউখুমশিংদু লৈরবা মতুংদা রসিয়ানা মথংগী খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না লাভ্রোভনা ফোঙদোকখি।

লাভ্রোভনা মখা তানা হায়খি মদুদি, মোস্কোগী মোততি নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো)না য়ুক্রেনবু ওর্গনাইজেসন অসিগী ইথিলদা চৎহন্নবা হোৎনৈ অমসুং রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মীয়ামদা কিহনবা নৎত্রগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকপু দোমিনেট তৌনবা হোৎনবা লৈতে হায়বসিনি।

নাটোনা হৌজিক য়ুক্রেনগী মতাংদা তৌরিবশিং অসিনা লৈবাক অসিবু গ্রুপ অসিনা ইথিল পীদুনা অপাম্বা লম্বীদা চৎহন্নবা হোৎনরি হায়বসি উৎলি। রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মীয়াম্বু মসিগী ওফিসল রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী খুথাংদা কৈদৌঙৈদসু কিহনখিবা লৈতে। তোঙান্না পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা হায়খি মদুদি, মহাক্না রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা ৱারী শানরুবদা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফীভমশিং হন্থহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমনি। ঐখোয়না ঙসি ৱারী শানখিবদা মরুওইবা য়ানবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদে।

# ইন্দিয়াদগী হৌখিবা সাইন্টিষ্টনা ওমিক্রোন প্রোটিনগী অহানবা মোলিক্যুলর ষ্ট্রকচর শেমখ্রে



টোরোন্টো, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সী):
য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়া (য়ু বি সী)গী ইন্দিয়াদগী হৌখিবা রিছার্সর অমনা মালেমগী ওইনা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টতা য়াওবা স্পাইক প্রোটিনগী অহানবা মোলিক্যুলর লেভেলগী ষ্ট্রকচরেল এনালাইসিস পুথোকখ্রে।

দ সাইন্স জর্নেলদা ফোঙবা ক্রাইও-ইলেক্ট্রোন মইক্রোস্কোপিগী মতেং শীজিন্নদুনা এটোমিক রিজোল্যুসন ফংবা য়াবগী চাংদা পাঙথোকখিবা এনালাইসিস অদুনা ম্যুটেসন ৱাংলবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা করম্না মীওইবগী সেলশিংদা নপশিনবগে অমসুং শোকহনবগে হায়বদু উৎলি। য়ু বি সীগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রি এন্দ মোলিক্যুলর বাইওলোজিদা প্রোফেসর অমা ওইরিবা ষ্টদি অদুগী লিদ ওথর ডা. শ্রিরাম সুব্রমনিয়মনা হায়, ভাইরস অদুগী স্পাইক প্রোটিনগী মোলিক্যুলর ষ্ট্রকচর খঙবা হায়বসি মরুওই। মসিনা ঐখোয়বু তুংদা ওমিক্রোন অমসুং মরী লৈনবা ভেরিয়েন্টশিংগী মায়োক্তা হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা ট্রিটমেন্টশিং পুথোকপা ঙমহনগনি।

ভাইরস অদুনা মীওইবগী সেলশিংদা শোকহনবগী মেকানিজমশিং এনালাইসিস তৌদুনা ঐখোয়না হেন্না ফবা ট্রিটমেন্টশিং পুথোক্তুনা ভাইরস অদুবু মাঙহনবা নৎত্রগা হাৎতোকপা ঙমগনি। কোরোনাভাইরসকী মপানদা য়াওবা স্পাইক প্রোটিননা সার্স-কোভি-২না মীওইবগী সেলশিংদা চঙবা ঙমহল্লি। ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা মসিগী স্পাইক প্রোটিনদা ম্যুটেসন ৩৬ দিটেক্ট তৌখি। মসি মমাঙগী ভেরিয়েন্টশিংদগী শরুক অহুমদগী মঙা ফাওবা হেল্লি।

ষ্ট্রকচরেল এনালাইসিস অদুনা ম্যুটেসন কয়ানা স্পাইক প্রোটিন অমসুং এ সী ঈ ২ হায়না খঙনবা মীওইবগী সেল রিসেপ্টরগী মরক্তা অনৌবা সোল্ট ব্রিদজশিং অমসুং হায়দ্রোজেন বোন্দশিং শেম্মী হায়বসি খঙখি। অনৌবা বোন্দশিং অদুনা নপ্পা ঙম্বগী চাং হেনগৎহনখি। মসিনা ভাইরস অসিনা মীওইবগী সেলশিংদা কয়াম কন্না নপ্পা ঙম্বগে হায়বদু লেপ্পী। ফাইন্দিংশিং অদুনা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি হান্নগী ভেরিয়েন্টশিংদগী হেন্না মীওইবগী সেলশিংদা হেন্না চেৎনা নপ্পা ঙম্মী হায়বসি উৎলি। মসি মরুওইনা দেল্টা ভেরিয়েন্টগুম্বা মমাঙগী ভেরিয়েন্টশিংগা চাংদম্নবনি হায়না সুব্রমনিয়মনা ফোঙদোকখি।

মমাঙগী ভেরিয়েন্টশিংগা খেন্নরিবদি ওমিক্রোননা মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি তরুক্কমক্তগী নাথৈবা ঙম্মী। ভেরিয়েন্ট অসি মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি তরুক্কী মনুংদা মঙাদগীদি মপুং ফানা নাথৈবা ঙম্মী। ভেরিয়েন্ট অসি ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিং অমসুং ভেক্সিন কাপ্তুবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদগী লৌবা এন্টিবোদিশিংদগী নাথৈবা ঙম্বগী চাং ৱাংই।